# কনামত্তনা সিব সেনাগী বো অমসুং এরো সিম্বোল মুনবা ঙম্লোই: উধব থাক্রে

মুম্বাই, জুলাই ৮ (এজেন্সী):

মিদিয়া সার্কল খরদা ফোঙনরিবা ৱাখলনা শাজিনবা ৱাফম খরা য়ানিংদবা উৎলদুনা সিব সেনাগী প্রসিদেন্ট উধব থাক্রেনা ইরাই নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি কনামত্তনা পার্টি অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা বো এন্দ এরো ইলেক্সন সিম্বোল অসি মুনবা ঙম্লোই।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেগী গ্রুপনা ক্লেম তৌরিবশিং অমদি মেদিয়াদা ফোঙনরিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ময়েক শেংনা হায়খি, মদুদি সিব সেনাগী ওইবা পোৎশক অমত্তা কনামত্তনা হুবা ঙম্লোই।

থাক্রেনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মখোয়না চমম্নবা অরানবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা শন্দোক্লবা হোৎনরি। লেজিসলেচর পার্টি অমা অমসুং ফিল্ডদা লৈরিবা রেজিষ্টর তৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী মরক্তা খেন্নবা লৈ। লেজিসলেটর কয়ানা থাদোক্তুনা চৎনখ্রবসু পার্টিদি শিবা নাইদনা লৈগনি। মীয়ামগী ৱাখলদা লান্না থাজহন্নবগী থৌওং অমা মেদিয়া সেক্সন খরগা লোয়নননা পোলিটিকেল কাঙবু খরনা চখ্থরক্লে।



ক্লেমশিং অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা পার্টিগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, মদুদি মহাক্না টোপ এক্সপার্টশিংগা খন্নরে। পার্টিগী 'বো এন্দ এরো' সিম্বোল অসি সিবা সেনাগীনি অমদি মতম চুপ্পদা পার্টি অসিগী ওইদুনা লৈগনি হায়না মখোয়না ঐঙোন্দা থাজবা পীরক্লে।

মখল কয়াগী কিহনবা লৈনা লৈনা মহাকপু মখা তানা শৌগৎতুনা লৈরিবা এমএলএ ১৬ পুসু মহাক্না থাগৎখি অমসুং মখোয়না অরানবশিংগী ইথিলদা চৎতনা অচুম্বনা মমৈথঙদা মায় পাক্কনি হায়বসিদা থাজবদগী ঐহাকপু মখা তানা শৌগৎলকপনি।

থাক্রেনা হায়খি, মদুদি সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই ১১ দা পীগদৌরিবা ৱারেপ্পা লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসি করম্বা মায়কৈদা চৎকদগে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরগনি। ৱারেপ অদু কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোনশিং কায়হন্দনা থম্বগা মরী লৈনবা মরম্না য়াম্না মরু ওইগনি। ঐখোয়না জুদিসরিদা মপুং ফানা থাজবা থম্মী হায়না থাক্রেনা ফোঙদোকখি।

নবি মুম্বাই অমসুং থানেগী হান্নগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেটর ১০০ রোম সিন্দে গ্রুপতা য়াওশিনখিবগী মতাংদা পল্লদুনা থাক্রেনা হায়খি, মদুদি মখোয় মথংগী সিভিক ইলেক্সনদা টিকেট পীরক্লোই হায়না কিবদগী পার্টি অসি থাদোকখিবা ওইরম্বা য়াই।

কোর্পোরেটর কয়ানা পার্টি অসিদগী তোকখ্রবসু ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনশিংগী হান্নগুম্না কায়দনা লৈগনি। মীয়াম্না সিব সেনাবু শৌগৎলিবমখৈ পার্টি অসিনা খুদোংথীবা অমত্তা মায়োক্লগদবা লৈতে হায়না থাক্রেনা মহাক্কী ময়ুমদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি

# ইদুল অদাগী মাঙওইননা হায়দ্রবাদতা পুলিস কাঙবুশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে

হায়দ্রবাদ, জুলাই ৮ (এজেন্সী):

ইদুল অদা কুম্মৈ য়ৌরক্কদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লকপগা লোয়নননা হায়দ্রবাদতা লোনা য়াদবা মওংদা ষণ পুথোক পুশিন তৌবা চ্যেক তৌনবগীদমক পুলিস কাঙবুশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে।

বক্রিক হায়নসু খঙনবা ইদুল অদাগা মরী লৈননা ষণ কয়া সেক্রিফাইস তৌনবগীদমক পুরকপদা চ্যেক তৌনবগীদমক সিটি অসিগী তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা চ্যেক পোষ্টশিংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং পুলিস কম্মিস্নার সিবি অনন্দ মশানা চৎতুনা য়েংশিনখি। পুলিস চীফ অসিনা এমজে মার্কেট, মিরচোক, বহাদুরপুরনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা পুলিস চ্যেক পোষ্টশিংদা সপ্রাইজ ভিজিট তৌখি।

মহাক্না চ্যেক পোষ্টশিংদা লৈরিবা রেজিষ্টরশিং ভেরিফাই তৌখি অমদি ফেসিলিটিশিংগী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়নননা শীজিন্নরকপা য়াবা খুৎলায়শিং মতিক চানা লৈরব্রা হায়বসিসু খঙদোক্লবা হোৎনখি।

ষণ পুথোক পুশিন তৌবগী মতাংদা ভেটরিনরি দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা সার্টিফিকেটশিং চ্যেক তৌনবা মহাক্না ওফিসলশিংদা খঙহনখি অমদি মরম চাদনা ষণবী, ষণনাওশিং পুথোক পুশিন তৌবা য়াদে হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা ওথোরাইজ তৌদবা মীওই অমত্তা চ্যেক পোষ্টশিংগী মনাক্তা লৈহন্দনবা অমদি ভাইওলেটরশিংবু অকনবা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখি।

MANIPUR UNIVERSITY
ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / TENDER NOTICE
Dated 08th July 2022
**No.MU/14/TENDER/SERB/PC/BIOTECH/2022/474**: Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Consumable items. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.
HL-B/7725/9
Sd/- Purchase Officer
Manipur University, Canchipur

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST
**Ref :- Mutation Case No. 327/SDC/SLG/IE of 2022**
Parties :- 1) Pukhrambam Ingocha Meitei, S/o (L) Mani of Uyumpok Wakhong (.595 acre on the south)
2) Pukhrambam Inaocha Meitei, S/o (L) Mani Meitei Wakhong Makha Leikai Uyumpok (1.115 north) -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar :- Phkhrambam Mani Singh, S/o (L) Tomba Singh of Uyumpok -Opposite Parties
ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE
Sagolmang, the 7/7/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 18-Uyumpok পাট্টা নং 81 (অরিবা) 128 (অনৌবা), দাগ নং 62 মোট এরিয়া 1.71 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখ্থরগনি।
HL-P/3274/9
Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East

# বরাকপুরগী এমপি আর্জুন সিংহগী সেক্যুরিটি লৌথোকখিবগী মতাংদা কলকত্তা হায়কোর্ট সেন্টরগী রিপোর্ট কৌখ্রে

কোলকত্তা, জুলাই ৮ (এজেন্সী):

বরাকপুরগী এমপি আর্জুন সিংহগী সেক্যুরিটি লৌথোকখিবগী মতাংদা ইরাই নুমিত্তা কলকত্তা হায় কোর্টকী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চ অমনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সতগী রিপোর্ট অমা কৌখ্রে।



আর্জুন সিংহ কুমজা ২০১৯ দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পর্গনাসকী মনুং চনবা বরাকপুরদগী বিজেপিগী কেন্দিদেট অমা ওইনা মীখলদা মায় পাকখিবা ওইরবসু মহাক চহী অসিগী মে ২৩ দা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা হল্লকখিবনি।

জুলাই ৫ দা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মহাক্কী 'জেট' কেটগরি সেক্যুরিটি ফেসিলিটিশিং ৱিদ্রো তৌখি অমসুং ৱারেপ অসিবু এমপি অসিদা খঙহনখি। মদুগী মতুংদা সিংহনা ৱারেপ অদুবু শীংনদুনা কলকত্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎখি অমসুং মহাক্কীদমক্তা ইন্টরিম সেক্যুরিটি দিমান্দ তৌখি।

অদুম ওইনমক ইরাই নুমিত্তা কলকত্তা হায় কোর্টকী জষ্টিস মৌসুমি বর্তচারিয়াগী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চনা নাকল অমরোমদা সিংহগী ইন্টরিম সেক্যুরিটিগী প্লি অদু দিসমিস তৌবগা লোয়নননা নাকল অমদনা হিরম অসিগী মতাংদা মথংগী নুমিৎ তরানিগী মনুংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনখি। অহানবদা সিংহনা কুমজা ২০১৯ গী লোক সভা মীখল মাঙওইননা ত্রিনামুল কংগ্রেসতগী তোল্লগা বিজেপিদা য়াওরবা মতুংদা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা মঙোন্দা 'ৱাই প্লস' কেটগরি সেক্যুরিটি পীখি। অদুম ওইনমক মহাক্না এমপি ওইরবা মতুংদা মহাক্কী সেক্যুরিটিসু জেট কেটগরিদা অপগ্রেদ তৌখি। মদু রুল্লিং ত্রিনামুল কংগ্রেসনা শৌগৎপা অকন অরিং শিংবা মীওই খরনা মহাকপু হাৎকনি হায়না কিহল্লক্লে হায়না সিংহনা কমপ্লেন্ট তৌখিবা মতুংদনি। অদুম ওইনমক মহাক্না বিজেপিদগী তোল্লগা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা অমুক য়াওশিনখিবা মতুংথা অমা খরা হেন্না কান্নরগা মহাক্কী সেক্যুরিটি ৱিদ্রো তৌখি।

কলকত্তা হায় কোর্টতা সিংহগী কাউন্সেলনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা হায়খি, মদুদি সেক্যুরিটিগী থ্রেট মখা তানা মহাক্কী ক্লাইন্টনা মায়োক্নরিবা ওইবনা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি মখা তানা মঙোন্দা ইস্যু তৌগদবনি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টগী কাউন্সেল বিলৱাদাল বর্তচারিয়ানা কোর্টতা হায়, ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ষ্টেট সেক্যুরিটি কোভর ৱিদ্রো তৌখিবদগী সিংহনা আপিল তৌরকখিবগা লোয়নননা মহাকপু সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি কোভর পীখিবনি। হৌজিক্তি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা মঙোন্দা মখা তানা জেট কেটগরি সেক্যুরিটি কোভর পীবগী মথৌ তাদ্রে হায়না লৌবদগী মঙোন্দগী কেটগরি অসিগী সেক্যুরিটি কোভর লৌথোকখিবনি।

# 'মীয়ামদা মীপায়বা পোকহন্নবগীদমক উমেস কোল্হেবু হাৎখিবনি'

মুম্বাই, জুলাই ৮ (এজেন্সী):

লাইনিং লম্বীদা য়ুম্ফম ওইরগা মীওই কাঙবু অমগী মরক্তা মীপায়বা পোকহন্নবা অমদি কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনহন্নবগী পান্দমগা লোয়নননা হন্দক্তা মহারাষ্ট্রগী অম্রাবাতিদা উমেস কোল্হে হায়রিবা মীওই অসি হাৎখিবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এনআইএ) না ফোঙদোকখ্রে।

ফার্মাসিষ্ট অদুবু তমথীবা মওংদা হাৎখিবগা মরী লৈননা ফারবা এক্যুসশিং অদু টেররিষ্ট এক্তিভিটি কয়াদসু চেন্নখি হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি। অম্রবাতিদা থোকখিবা মীহাৎপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা এজেন্সি অসিনা রেজিষ্টর তৌখিবা এফআইআরদা হায়রিবদি মহারাষ্ট্রগী অম্রবাতিদা উমেস কোল্হেবু হাৎখিবসি ইন্দিয়াগী মীওই সেক্সন অমগী মরক্তা মীপায় থাবায়বা পোকহন্নবা মীওই কাঙবু অমনা লৌতুনবগী শরুক্নি। কেস অসি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না এফআইআর অদুদা এনআইএনা মখা তানা পনখি। চৈরকসিদা এনআইএগী স্পিসল কোর্টনা ঙরাং এক্যুস তরেৎকী আর্গুমেন্টশিং তারবা মতুংদা জুলাই ১৫ ফাওবা এজেন্সি অসিগী কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST
**Ref :- Mutation Case No. 328/SDC/SLG/IE of 2022**
Parties :- 1) Thangjam Khambaton Singh, S/o (L) Deben Singh of Khewa Furju
2) Thangjam Pahari Singh, S/o (L) Gopal Singh of Khewa Furju (.625 South) -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar :- Thangjam Deben, S/o Gopal Singh of Khewa Phurju -Opposite Parties
ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE
Sagolmang, the 7/7/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 14-Khewa Company পাট্টা নং 84 (অরিবা) 186 (অনৌবা), দাগ নং 31 মোট এরিয়া 1.35 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখ্থরগনি।
HL-P/3274/9
Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL
**Ref :- Mutation Case No. 546/SDC/NBL of 2022**
Warepam Chaobiyaima Devi, W/o (Late) W. Kwaklei Singh of Leimapokpam Khunpham Mayai Leikai - Petitioner
-Vrs-
(Late) Warepam Kwaklei Singh, S/o (Late) W. Lupojao Singh of Leimapokpam - O.P.
ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE
Dtd. 08/07/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam Patta No. 12/70 (O) 880/2442 (N) Dag No. 133/P Area 0.185 acre Class Ingkhol হায়রিবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।
HL-P/3273/9
Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol

Resonance®
Educating for better tomorrow
2 Year Foundation Course for Class XI- (NEET & JEE)
ENROLL TODAY!
* 4 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7717/ 3,6,9,12,15,18,21,24,27,30

ACI SCHOOL
A CO-ED. HR. SEC. SCHOOL AFFILIATED to COHSEM
UNDER THE GUIDANCE OF HUMAN RESOUCE CENTRE AND RESEARCH INSTITUTE (Regd. No. 729)
SCHOOL RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOR ONLINE REGISTRATION
www.advancecoachinginstitute.org
WITH 2 YEAR INTEGRATED CLASS FOR NEET/JEE/NDA
ADMISSION OPEN For XI Sc. & XI Arts
World class standard classroom With Smart Class
1. For top position holders in the HSLC exam: Freeship + Book grant fee+Scholarship
2. Students who scored 85%-92% in the HSLC exam: Admission free + Half Tuition free+ scholarship
3. Students who scored 85% and above: Admission free+ 25% concession on monthly fee
4. Students secured 75% and above: Half admission fee+book grant + free uniform
SELECTED THROUGH ENTRANCE TEST:
1. 1st to 20th position : FREE ADMISSION FEE
2. 20-100 position: FREE UNIFORM
3.100-300 position holders: BOOK GRANT
5. 300-400 position holders: DIRECT SELECTION
Special faculty members having more than 10yrs Expeiences
PHY: Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar / Bidyakanta (IIT)
Chem: R.K. Bahadur /Manglembi NET(P.Hd)
Maths: Dr. Sanjit /Kiranmala (Gold medalist)
Botany : Dr. Bijen / Dr.Thajamanbi
Zoology : Dr. Ranjita / kh. Seityabati
Supporet by special Faculty members of ADVANCED COACHING INSTITUTE
For offline registration : OFFICE OF THE ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 15TH & 18TH JUly
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July

URGENT RECRUITMENT ACI SCHOOL (SCHOOL OF ADVANCED COACHING INSTITUTE)
The deserving candidates are requested to submit their resumes with two recent passport photos along with supported documents on or before 8th July .

| SECTION A: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
|---|---|---|---|
| 1. Principal (1) | MSc /MA./Retired Govt.Lecturer | MORE THAN 15 YRS Exp. | 20k-25k |
| 1. Botany Lecturer (2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 2. Zoology Lecturer (2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 3. Physics Lecturer (2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 4. Mathematics Lecturer(2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 5. ACCOUNTANCY LECTURER | M.A | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 6. History Lecturer (2) | M.A | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 7. Political science (2) | M.A | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 8. Geography Lecturer(2) | M.A | MORE THAN 3 YRS | 10k-15k |
| 9 Economics Lecturer(2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 10. Home Sc. Lecturer(2) | MSc | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 11 Sociology Lecturer (2) | MSc + Bed | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 12 Education Lecturer (2) | MSc + Bed | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 14. Computer Science Lecturer (2) | MSc + Bed | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 15. Liberian (2) | M.A in Libery | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |
| 16 Clerk / Office assistance (2) | expert in DTP | MORE THAN 3 YRS | 15k-25k |

OFFICE : NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BETWWEEN RIMS ROAD & SORAM LEIRAK OPPOSITE MANTRIPUKHI AUTO PARK & KWAKEITHEL BRANCH AKHAM LEIKAI NEAR RURAL BANK ( MOIRANG PUREL KHONGNANG MAKHONG ) # 9862992105
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July